## অহানবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭
# এফ সি ইম্ফাল অমদি টি বি এস এফ এ ফাইনেলদা লম্বা থেংনরগনি



*ইম্ফাল,মে ২৩ঃ*

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ভেটেরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ভেটেরান ফুটবোল তিম ২০না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা থা অসিগী ২৩দগী চথরকখিবা অহানবা আর কে এফ দি এস সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭কী মখা চথরকপা ওইনা খুমন লম্পাক এষ্ট্রো তর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এফ সি ইম্ফাল ক্লকৈথেলনা মুসা মেজোরখুলবু গোল ৭–১দা মায়থিবা পিখ্রে।

অনীশুবা মেটচতা টি বি এস এফ এ তাউবুংখোক্না ভি এস এ আই–বি থাংমৈবন্দবু গোল ১–০দা মায়থিবা পিখ্রে।

মথং থা জুন ৪দা খুমন লম্পাক এষ্ট্রো তর্ফতা শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা এফ সি ইম্ফাল ক্লকৈথেলগা টি বি এস এফ এগা লম্বা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচাতা এম য়ু এস এ (মুসা)গা এফ সি ইম্ফালগা লম্বা থেংনবদা এফ সি ইম্ফালনা য়াম্না লাকচবা মওংদা গোল ৭–০দা মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদু হেক হৌখিবগা ২শুবা মিনটতা মুসাগী ইঙোবীনা গোল ১ স্কোর তৌদুনা টিম অসিনা গোল ১ মাংজিল থানা লৈখি।

মদুগী মতুং এফ সি ইম্ফালনা অকনবা এটেক চথরকপগা লোয়ননা মেটচকী ১২শুবা মিনটতা খম্বনা গোল ১, ২১, ৩৪ অমদি ৩৭শুবা মিনটতা কৃষ্ণনা গোল ৩, ২৮শুবা মিনটতা ইতোচানা গোল ১, ৪৪শুবা মিনটতা ধামুনা গোল ১ অমদি ৫৫শুবা মিনটতা ওজিৎনা গোল ১গা চনদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা মেটচতা ভি এস এ আই (ভসাই)–বিগা টি বি এস এফ এগা অকনবা মওংদা লম্বা থেংনবদা টি বি এস এফ এনা গোল ১–০দা ভসাই–বিবু মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা নাকল অনীমক্না অহানবা হাল্ফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অনীশুবা হাল্ফ ৫৩শুবা মিনটতা টি বি এস এফ এগী এন উতমনা গোল ১ স্কোর তৌবদগী টিম অসিনা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি।

## ১২শুবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি ২০১৭
# এফ সি তেল্লৌ–এ ফাইনেল চংখ্রে



*ইম্ফাল,মে ২৩ঃ*

তেলৌ জোইন্ট কো–ওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদনা শীন্দুনা টিম ২০না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব, তেলৌগী গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা তেলৌ সোসাইটি ট্রোফি ৭–এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এফ সি তেল্লৌ–এনা এফ সি য়ুম্নাম খুনৌবু গোল ১–০দা মায়থিবা পিদুনা ফাইনেল চংখ্রে। এফ সি তেল্লৌ–এ অমদি এফ সি য়ুম্নাম খুনৌ অনিনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাল্ফকী ২৮শুবা মিনটতা এফ সি তেল্লৌ–এগী জর্সি নম্বর ১১ গুনিন্দ্রোনা গোল অমা স্কোর তৌবগা লোয়ননা টিম অসিনা গোল ১ মাংজিল থানা লৈখি।এফ সি য়ুম্নাম খুনৌগী মাইকৈদগীসু মাংজিল থাদুনা চৎলিবা গোল ১ হনে দাক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেটচগী অপিবা মতমগী মনুংদা হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থিহৌখিবনি। অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হয়েং এস টি টি (এ) সেক্তাগা চি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌগা লম্বা থেংনরগনি।

# ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি

*ইম্ফাল,মে ২৩ঃ*

হান্না য়ৈথোকখিবা এ আই এফ এফ 'দি' লাইসেন্স কোর্স জুন থাগী তাং ১০ দগী ১৫ ফাওবা অমুক তৌননবা মতম লেপখ্রে হায়রি। দরকার ওইবশিং মতম চানা শেম–শাবা ঙম্নবা হাননা খনগৎলবা কেন্দিদেৎশিংনা জুন ৩ ফাওবগী মনুংদা লুপা ৫০০০ দিপোজিৎ তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

থিওরি ক্লাসশিংগী মফম মতম চানা লাউথোরক্কনি। প্রাক্তিকেল সেসননা খুমন লম্পাক্কী আর্টি ফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। রেসিদেন্সিয়েল কেম্পনা লোয়শিন্দনা লৈরিবা ৱাই এ এস কী স্পোর্টস হোষ্টেলদা পাঙথোক্কনি। নিংশিংগদবা অমনা কেন্দিদেটশিংনা মশা–মশাগী ফিরোলশিং পুরক্কদবনি। ৱাফম অমনা কেন্দিদেটশিংনা মখোয়–মখোয়গী মরি লৈনবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা জুনগী ৯ ফাওদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

লোয়ননা মণিপুরগী মতম অমগী ফুটবোল শান্নরোই ওইরম্বা হৌজিক্না ইন্দিয়াগী ওইনা খল্লক্লবা এল রোনিবলা চনুবু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ইং ২০১৭ কী জুনগী ১০ দগী ২৯ ফাওবা চথগদৌরিবা চিনাদা পাঙথোক্কদবা অহানবা এ এফ সি ৱুমেন্স ট্যুটরস কোর্সকী কেন্দিদেট ওইনা খল্লক্লে হায়না এ এম এফ এ (অম্ফা) গী জেনরেল সেক্রেটরী এল রঞ্জিৎ রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।






## ১০শুবা লোক্তাক ট্রোফি
# অমোফা এসি মায় পাকখ্রে, অমোফা অমদি টি ৱাই দি এ দ্রো চংখ্রে



*ইম্ফাল,মে ২৩ঃ*

ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা নেস্লেল হাইড্রো পৱার কোওপরেসনগী শেন্থুং মখাদা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা মোইরাং মল্টিপর্পস হায়ার সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দা থা অসিগী ১৪দগী চথরকখিবা ১০শুবা লোক্তাক ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অমোফা এসিনা মোইরাং পার্ট টুবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পিখ্রে।

অনীশুবা মেটচতা অমোফাগা টি ৱাই দি এগা গোল ১–১দা দ্রো চংখ্রে।

মোইরাং পার্ট টুগা অমোফা এসিগা লম্বা চানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাল্ফ ফাওবদা নাকল অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

মেটচ অদুদা অমোফা এসিগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী ৪৫ অমদি ৬০শুবা মিনটতা দেভানা গোল ২ অমদি এদিস্নেল তাইমদা মহেসচান্দনা গোল ১গা চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা মোইরাং পার্ট টুগী গোল অদুনা মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা কে ঐচ বিদ্যাসাগরনা চনখিবনি।

অনীশুবা মেটচতা অমোফা মোইরাংগা টি ৱাই দি এ লম্বা তৌনবদা গোল ১–১দা দ্রো চংখিবনি। অমোফাগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা মেটচকী ৩৫শুবা মিনটতা এন সিভাজিনা চনখি অদুগা টি ৱাই দি এগী গোল অদুনা মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা জোসিদাসনা চনখিবনি।




অদোমগী ফাইনান্সিয়েল ট্রান্সেক্সনশিংগী
ষ্টেটমেন্ট ফাইল তৌনবগীদমক রেজিষ্টার তৌখ্রবরা?

করিগুম্বা অদোম্না ওইবীরগদি

- বেঙ্কিং কম্পেনি অমা
- কো–ওপরেটিব বেঙ্ক
- এন বি এফ সি
- নিধি অমা
- পোষ্ট মাষ্টর জেনরেল
- কম্পেনি নত্রগা ইন্সটিট্যুসন অমা
- ম্যুচুয়েল ফন্দ নত্রগা ম্যুচুয়েল ফন্দগা মরী লৈনবা হিরমশিং মেনেজ তৌরিবা
- ফোরেইন এক্সচেঞ্জ দিল্লর
- এস আর ও
- লল্লোল–ইতিক তৌরিবা নত্রগা সর্ভিস প্রোভাইদর অমা (লুপা ক্রোর ১ হেন্না লাকপা, নত্রগা প্রোফেসনেল রিসিপ্ততা শেন্না চহি ২০১৬–১৭ দা লুপা লাক্ষ ২৫দগী হেন্না ফঙবা)

মদু ওইবা তারগদি অদোম্না ষ্টেটমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়েল ট্রান্সেক্সন (এস এফ টি) ওল লাইনদা মখাগী ট্রান্সেক্সনশিং থার্দ পার্টিশিংগা লোয়ননা শেন্না চহি ২০১৬–১৭ গী মনুংদা লাকখিবশিং অদুগী ওইনা ফাইল তৌবা তঙাইফদে।

[ ইনকম–টেক্স রুলস, ১৯৬২ গী রুল ১১৪ই গী মখাদা ]

অদোমনা ফাইনান্সিয়েল ট্রান্সেক্সনগী ষ্টেটমেন্ট সবমিট তৌরগা ওল লাইন্দা
ফোর্ম ৬১এ দা রেজিষ্টর তৌবীয়ু ৩১.০৫.২০১৭ ফাওবদা

শেল থাদোক–থাজিনগী অকুপ্পা ৱারোলশিং

| ট্রান্সেক্সনগী চাং | ট্রান্সেক্সন তৌবগী মওং |
|---|---|
| লুপা ১,০০,০০০ /– হেনবা | ক্রেডিট কার্দ বিলগী ওইনা শেনগং ওইনা পীখিবা |
| লুপা ২,০০,০০০ /– হেনবা | করিগুম্বা পোৎশিং লৈনবা নত্রগা সর্ভিস ওইনা পীখিবা মীওই অমদগী শেল ফঙখিবগী রিসিপ্ত। |
| লুপা ৩০,০০,০০০ /– হেনবা নত্রগা ষ্টাম্প ভেল্যুয়িং ওথোরিটিনা লেপ্পা চাং | লৌ–ঈংখোলনচিংবা লৈবা নত্রগা য়োনবগী |
| লুপা ৫০,০০,০০০ /– হেনবা | শেন্না চহি অমগী মনুংদা মীওই অমগী করেন্ট একাউন্ট অমা নত্রগা মদুদগী হেনবদা শেনগং ওইনা দিপোজিট তৌবা / লৌথোকপা। |

| ট্রান্সেক্সনগী চাং | ট্রান্সেক্সন তৌবগী মওং |
|---|---|
| লুপা ১০,০০,০০০ /– হেন্না (অমুক্তদা নত্রগা শেন্না চহি অমগী মনুংদা মীওই অমনা শিজিন্নবা শেনফমগী অপুন্না) | শেনগং ওইনা থিদুনা বেঙ্ক ড্রাফট / পে ওর্দর / বেঙ্কর্স চেক / আর বি আইনা পীবা মাংজৌননা থীবা য়াবা মওংদা পীখিবা |
| | একাউন্ট অমা নত্রগা মদুদগী হেন্বদা শেল দিপোজিৎ তৌবা (করেন্ট একাউন্ট অমসুং টাইম দিপোজিৎ নত্তবদা) |
| | টাইম দিপোজিৎ |
| | শেনগং নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমনা ক্রেডিট কার্দ বিল শিংদোকখিবা |
| | ম্যুচুয়েল ফন্দ অমগী, বোন্দশিং / দিবেনচরশিং / সেয়র কম্পেনি অমনা পীরিবা অদুগী শরুক অমা নত্রগা মদুদগী হেন্না য়ুনিটশিং মীওই অমদগী ফঙবা। |
| | মীওই অমদগী সেয়রশিং অমুক হন্না লৈবা। |
| | ফোরেইন এক্সচেঞ্জগী পোৎ য়োনবদগী ফঙবা। |

তেংবাংনবগীদমক, কন্টেক্ট তৌবীয়ু অদোমগী ষ্টেট / লমদম অদুগী দি আই টি (আই এন্দ সি আই)।

@IncomeTaxIndia

INCOME TAX DEPARTMENT

Income Tax Department
www.incometaxindia.gov.in


Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*